# পোকপদগী শিবা ফাওবগী থৌরমশিংদা মীতৌ তম্বা কয়া য়াওশিল্লক্লিবসি লৌথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে : ধনঞ্জয়



**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১২ (ঐচএনএস):** ঐখোয়গী পোকপদগী শিবা ফাওবদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মরিং-মরাংবা অমদি মপান লমগী মীতৌ তম্বা কয়া য়ানশিল্লক্লিবসি লৌথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়না ইয়োলগী জেনরেল সেক্রেটরি ময়েংবম ধনঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি পোকপদগী শিবা ফাওবগী থৌরমশিংদা হোংলক্লিবা মচৎ অমদি মসিনা খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন্দা পীবা চৈথেং হায়বা হীরমদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী বজার কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ঈনাৎ য়োকখৎপা লূপতিন (ইয়োল), মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা য়াইঙংপোকপী শান্তিখোংবাল, থম্ন াপোকপী, সনাশাবী অমদি সবুংখোক খুনৌগী ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা শীন্দুনা মায়কৈঅদোমগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদুদা ইয়োলগী ভাইস প্রসিদেন্ট লোংজমচা সনাথোই পিবা, য়াইঙংপোকপী লমজিং নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট খোংবান্তাবম মোধুবালা অমদি য়াইঙংপোকপী ভিলেজ কম্মিটিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি থোকচোম অমুল মৈতৌনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা চথুরকপগী মখা চথুরকপা মীফম অদুদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ধনঞ্জয়না মখা তানা হায়খিবদা, ঐখোয়গী ঈনাৎকা মরী লৈনবা থৌরমশিংসিদা শেল চঙবা, কা হেন্না চাদিং তৌবা হেঞ্জিল্লক্লিবা অসিসু শেমদোকপা তঙাইফদ্রে। মরু ওইনা লুহোংবদা ফিজং খনবা, অকে-অমৌদা হিদান্নবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসিনা সোসিও ইকোনমিদা শোকচিল্লবা লমদমসিদদি অসুক্কী মতিক মাঙজনিংঙাই ওইরি। মসিগুম্বা ময়ামসিদগী ঙাকথোক্লবা খুল-খুল খূদিংমক্তা ৱারেপ লৌমিন্নবগী মথৌ তারক্লে। ঙসিগী মীফমসিদা মীয়াম পুন্না খন্ন-নৈনদুনা খুন্নাইসিগী শেন্মীৎলোন্দা শোকচিল্লক্লিবশিংগী মতাংদা মুন্না খন্নদুনা ৱারেপ কয়া লৌগনি। মখা তানসু মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম শীনবা থুংনা অসিগুম্বা খন্ন-নৈনবগী মীফমসি লেপ্তুনা চথখিগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, লাক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসিদসু নিঙোল ওইবীশিংনা লমদমসিদা ফংবা হৈ-রা অমদি পুথোকচবা পোৎলম-চৈরমশিং পুদুনা মপামদা চৎসি। লোয়নন্না মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনসু লমদমসিদগী পুথোকচবা পোৎলমশিং অদুনা খুদোল তম্বগী চৎনবী লৈনবা হোৎনমিন্নসি। মসিনা নিঙোল চাক্কৌবগীদমক নিঙোলশিংদা খুদোল তম্বদা অমগা অমগা হিদান্নবগী চৎনবী অসিসু হন্থরক্কনি হায়না থাজে। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱারেপশিংসি মফম খূদিংদা য়ৌনবা ঐখোয় খূদিংমক্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# মণিপুরগী চীংকারোইশিংগী মরক্তা তোমথিল ঙাল্লম্বা লৈখিদ্রবা হিদাম শ্যামকিশ্বরবু নীংশিংলুবদা

*হিদাম সুবোল সিংহ*
**দি আই জি প্রোভিজনিং, ফ্রন্টিয়র হেদ ক্বার্টর বি এস এফ, সিলচর**




**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি)না চহী খূদিংগী ওক্তোবর ১৩ বু মণিপুর ইমাগী অথৌবা মপারীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈখিদ্রবা হিদাম শ্যামকিশ্বর সিংহগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা 'ব্রেভরি দে' হায়না মহাক্কী নীংশিং-থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। শক্লাইরবা অসিগী মিং অসি ইন্দিয়াগী অথৌবা চীংকারোইশিংগী মরক্তা তোমথিল ওইনা ঙান্দুনা লৈবগা লোয়নন্না মহাক্কী মতিক-মথৌনাগী ৱারীসি ঙমখৈ নাইদনা থৌনা ফরবা মীওই কয়াগী মনুংদা মতম পুম্বগী ওইনা নুঙদা হকপগুম মমি তাদুনা লৈখ্রবনি।

লৈখিদ্রবা শ্যামকিশ্বরনা য়াম্না নহা ওইরিঙৈ, কুমজা ১৯৮৫ দা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা অমসুং খোঙফম খজিক্তং শোয়বা য়াদবা চীংদোলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মাউন্ট গঙ্গোত্রি পিক-৩ অসি মতোন লোম্না কাবা ঙম্নবা হোৎনবদা পূন্সি পিখম্নখি। অসিগুম্বা মহাক্কী শীংথানিংঙাই ওইরবা মতীক-মথৌনা, নীংখিবদা হন্দবা অমসুং এদভেঞ্চরবু পামজবগী তাঙলবা ফিদমশিং অসিনা ঙসিসু মণিপুরগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা থৌনাগী চাউরবা ইথিল অমা পীরি।

**পামজবা হীরমদা কথোক্লবা পূন্সি অমা :** তেন্থাগী শ্রীমতি হিদাম ওংবী থম্বালমচা অমসুং শ্রী হিদাম ইবোহল সিংহ অনীগী মপারী ওইনা তাইবং ফাওরকখিবা লৈখিদ্রবা হিদাম শ্যামকিশ্বর অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ৱাখল-লৌশিং চাউবা, মথৌনা ফবা অমসুং মীপুম খূদীংমক্তা তোরোৎ-খদান্নমা লোয়নবা মীওই অমা ওইনা চাউরকখি। মশুং-মমান্নবশিংনা মহাকপু মহৈ-মশিং তম্বদা মীকোক থোংবা, এক্সত্রা করিক্যুলর এক্টিভিটিশিংদা থৱায় য়াওবা অমসুং শান্ন-খোৎনবা অমদি সোসল সর্ভিসতা মাঙজিল থানা শরুক য়াবা অসিগীদমক্তা মশক খঙনৈ। মহাক মতম পুম্নমক্তা মায়থোং মকা লাম্না মমোন নোক্তুনতা লৈগনবা অমসুং অৱা-অনা তারবা মীপুম খূদীংদা অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনখিবা মীওই অমা ওইনা কথোকপা অমদি নহা অমা ওইবগী চঙ-চঙ লাউবা শকপান্নবা শক্তম অমনি।

মহাক্না দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স এন্দ আর্টস এন্দ কম্মর্সতা তম্লিঙৈদা মশাগী শেন্থোক-লম্বী ওইনবা অঙাংশিং ট্যুশন লৌদুনা অমসুং এন সী সীগী সিনিয়র আর্মি ৱিংগী কেদেট অমা ওইনা থৱায়-হকচাং য়াওনা শরুক য়াদুনা মহৈ তম্বগী চিল্লবা মতম অদু য়াম্না হৈ-শিংনা শীজিন্নখি। অদুবু অসিগুম্বা মপূন্সিগী চিল্লবা থৌগাই মরকসিদা মহাক্না মশাগী মশক শেংনা তাকখিবা 'মাউন্টেনিয়রিং'গী অপাম্বসিদা কথোকখি।

**চীংকারোই অমা ওইরকপা :** শ্যামকিশ্বর সিংহ, মণিপুরগী মাউন্টেনিয়রিং অমসুং এদভেঞ্চর স্পোর্টসতা চাউরবা থৌদাং অমা লৌরিবা লময়ানবা ইন্সটিট্যুট, মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি) অসি লিংখৎখিবা মেম্বরশিং অদুগী মনুংদা অমনি। মসিদা মহাক্না পীখিবা লমজিং-লমতাক অমসুং চোকথবা নাইদনা হোৎনখিবশিং অদুনা মণিপুরগী নহারোলশিংগী মরক্তা এদভেঞ্চরবু পাম্নরকপগী ঈহৌ অমা শাগৎপদা অচৌবা শক্লোন লৌখি। ত্রেনিং কেম্পশিং ওর্গনাইজ তৌবা ওইরবসু নৎত্রগা এক্সপিদিশনশিংদা লমজিংবা তারবসু থবক খূদীংমক মহাক্না থৱায়-হকচাং য়াওনা অমসুং চঙখোন্না পাঙথোকখি।

অৱাংবা থাক্কী চীংকারোই অমা ওইনা মহাক্না ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না মমিং লৈরবা মাউন্টেনিয়রিং ইন্সটিট্যুট খরদা অকনবা ত্রেনিং তৌখি। বেসিক মাউন্টেনিয়রিং কোর্স, এদভান্স মাউন্টনিয়রিং কোর্স অমসুং সর্চ এন্দ রেস্ক্যু কোর্স হায়রিবশিং অসি মহাক্না মায় পাক্না লোইশিনখি। হায়রিবশিং অসি মহাক্না ইচম চম্বা সর্টিফিকেটশিং অদু খক ওইনা লৌখিদে। মণিপুর ইমাগী ফীরাল অসি মাউন্ট এভরেষ্টতা থেৎলুবা হায়বা হেন্না চাউবা মঙলান অমা মঙফাওনহন্নবা মায়কৈ তম্না চৎপা খোঙথাংশিং ওইখি।

**এভরেষ্ট খুদুম চন্নবা মঙলান :** কুমজা ১৯৮০গী পরীং হৌগৎলকপদা শ্যামকিশ্বরনা মায় পাক্লবা এক্সপিদিশন কয়ামরুমদা শরুক য়াখি। ময়ামদুগী মনুংদা হিমাচল প্রদেশকী মাউন্ট সি বি-১০ মতোল লোম্না কাবা, চীংনুংহুৎ অমসুং বরাককী এক্সপিদিশনশিং অমসুং মথংগী মীরোলগী চীংকারোইশিংবু তম্বীনবগীদমক্তা মাউন্ট কৌব্রু অমসুং মাউন্ট শিরুইদা পাঙথোকপা মখল-মখা কয়াগী এদভেঞ্চর ত্রেনিং প্রোগ্রাম হায়রিবশিংসি পনবা য়াই। লন্নাইগী মায় পাকপা হায়বা অসিখক্তংনা মহাক্কী পান্দম ওইখিদে। মসিগী ৱাংমদা মহাক্না ষ্টেটসিগী লাকঙম ফাঙমদ্রবা থৌনা-লিংজেল অদু উত্তুনা মণিপুরী টিম অমা মাউন্ট এভরেষ্টকী চীংদোলদা লেপ্তুনা লৈবদু উবা পামখি। অসিগুম্বা পামজবা মিশন অসিগীদমক্তা মণিপুরগী টিম অমা শেম-শানবা মহাক্না কুমজা ১৯৮৩ দগী ১৯৮৫ ফাওবা মশাগী লৈজবা থৌনা পুম্বা শীজিন্নখি। মহাক্না চোকথবা নাইদনা চীংকারোইশিংবু ত্রেনিং পীখি, মচাক-মথুম শীল-লাঙখি অমদি শেল-থুমগা লোয়নন্না মথৌ তাবা তেংবাঙ কয়াগীদমক্তা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস, মণিপুরগী ওফিসলশিং অমদি অতৈ এজেন্সীশিংগসু মহাক্না উনখি। মহাক্কী মফমদদি এভরেষ্ট হায়বসি চুম্নগী চীংজাও অমখক ওইখিদে, অচৌবা আশা অমসুং নীংহন্নবা লৈতবগী অরেপ্পা মশক অমা হায়বদু ওইখি।

**নোংদম্বনা থৌজানবীদ্রবা এক্সপিদিশন :** মণিপুরগী ইহান হানবা মাউন্ট এভরেষ্ট এক্সপিদিশন অসিগী শেম-শাবা ওইনা কুমজা ১৯৮৫দা মাসিনা মাউন্ট গঙ্গোত্রি পিক-৩গী য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা এক্সপিদিশন অমা থৌরাং তৌখি। গঙ্গোত্রি পিক-৩ হায়বসি তম্বা ঙমদবা নোং-চীংগী ফীভম অমসুং কিনিংঙাই ওইরবা চেকখায়গনবা উনগী মফম কয়া লৈবগীদমক্তা মশক খঙনরবা হিমালয় কাবগী খ্বাইদগী হেন্না অরুবা মতাং অমনি হায়না খন্নে। অদুম ওইনমক মসি শ্যামকিশ্বরগী মফমদদি মহাক্কী টিম অসিবু এভরেষ্ট তম্না লমজিংদ্রিঙৈগী মমাঙদা অরোইবা চাংয়েং ওইনা তঙাইফদনা মায়োক্নদবা য়াদবা শীংনবা অমনি।

লাইবক থীবদি নোংদম্বগীসু অতৈ থৌরাংশিং লৈরমখি। কুমজা ১৯৮৫গী ওক্তোবর ১৩দা চীং অসি কাখৎনবা হোৎনরিঙৈদা উনগী চীংদুম অমা নীংখায়রক্তুনা মদুনা য়ৈবদগী নহা ওইরিবা চীংকারোই অসিগী পূন্সি পিখম্নখি। মতম অদু অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা উনগী চীং কয়া নীংখায়দুনা মসিগা চপ মান্নবা লাইবক থীবা থৌদোকশিং ইন্দিয়ন অমসুং ইন্টরনেশনল এক্সপিদিশন কয়াদসু থেংনখিবা, মাউন্টেনিয়রিং ৱর্ল্ডগী য়াম্না নুংঙাইতবা চহী অমা ওইখি। নুমিৎ অদুদা মহাক্কী মঙলাননা অতিয়াগী মতৌগুম্না পাক-চাউবা অমসুং মতিক-মথৌনানা চীংজাওগী মতৌগুম্না মচি লেঙদবা, মণিপুর ইমাগী তাঙলবা মপারী মনিমুক্তা অমা মাঙজখি।

**মহাক্কী লীক্লমদি হিংহৌরি :** হিদাম শ্যামকিশ্বরগী পূন্সি খোঙচৎনা মনুং মতম চাদনা তেনশিনখিবা তারবসু মহাক্কী থৌনা লিংজেলদি মথম্মোয়না খৈনা নুংশিজখিবা চীংলোন কয়াদা ঙসিসু খোন্থাং য়ৈনা নিন্দুনা লৈরি। কথোকপতনা মশরুক ওইখিবা মহাক্কী পূন্সিগী ফিদম অসি চীংকারোই অসিনা লৈখিদবগা লোয়নন্না মাঙখ্রে হায়না লৌবা লানগনি। মরমদি অসিগুম্বা ফিদম অসিনা মণিপুরদা এদভেঞ্চর অমসুং নীংহন্নবা লৈতবা হায়বা কলচর অমগী য়ূম্ফম থোনখি। মহাক্না তেংবাঙলগা মখোঙ শোমদুনা শেল্লম্বা ইন্সটিট্যুট মাসিনা মশীং থীঙমদ্রবা নহারোল কয়াগী মফমদা মাউন্টেনিয়রিং অমসুং এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী শীংনবশিংবু থৌনা ফনা অমদি কথোকপগা লোয়নন্না মায়োক্নহন্নবা লেপ্পা লৈতনা ইথিল পীরি। ওক্তোবর ১৩না লাকপা খূদীংগী পাঙথোক্লিবা 'ব্রেভরি দে' গী থৌরম অসিনা মহাক্কী চীং-লেঙ্লবা থৌনা-লিংজেল অদুবু নীংশিংহল্লি অমসুং মহৌশা খূৎশেমগী মতীক-মঙমশিংবু থৌনা ফনা মায়োক্নরিবা মীপুম খূদীংমকপু অনৌবা আশা অমসুং অচেৎপা ৱাশক্কা লোয়নন্না ঈকায়-খুম্নবা উৎপগী তাঞ্জা অমা পীরি। শ্যামকিশ্বরনা ইতৎ-তত্তনা মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংগী মফমদা- অৱাংবা চীংজাওশিংনা মহাকপু কৌরক্লে, মখোয়গী মখোল থোক্তবা ফজবা অমসুং মতীক-ময়াইগা মশাগা নুংগী ওইবা মরী অমা লৈনবগুম মপূক্নীংদা ফাওই হায়না হায়রম্মী। মাউন্ট গঙ্গোত্রিনা মহাকপু উনগী ঈংলবা মথানুংদা চেৎনা কোনশিন্দুনা থমখিবা অসিসু মহৌশা খূৎশেম মশামক্না মহাক্কী অসিগুম্বা নীংজবা অসিবু খঙবীবা উৎপনি হায়না লৌবা য়াই। ফনা য়াম্না ৱাংনা কাবা তারবসু নৎত্রগা খোঙচৎ অদু খুদোংথীবতনা থল্লবসু তশেংনা থৌনা ফবা হায়বসিদি ফংগে নীংলিবা পান্দম অদু ফংবা ঙম্নবা হোৎনবদা লৈ হায়বসি মহাক্কী ৱারীনা ঐখোয়গী ইফমদা নীংশিংহনবা, পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইগী মশক্নি। ৱারী অসি অৱাবা ৱারী নত্তে।

ঐখোয়না লৈখিদ্রবা শ্যামকিশ্বর সিংহবু 'ব্রেভরি দে'না লাকপা নুমিৎসিদা নীংশিংবগা লোয়নন্না মহাক্কী হনবা লৈত্রবা মতীক-মথৌনা, মহাক্না খুন্নাইদা তল্লম্বা খুদোল অমসুং মণিপুরগী মাউন্টেনিয়রিংদা লময়ানবা অমা ওইনা মহাক্না কথোক্লম্বা পুম্নমক অসিগীদমক্তা থৱায়-হকচাং য়াওনা ঈকায়-খুম্নবা উৎচরি। মহাক্কী পূন্সিনা ঐখোয়গী ইফমদা- অৱাংবা চীংদোল হায়বসি মসিদা য়ৌবা ঙম্বা মীওইশিং অদুগীদমক্তা নত্তে, মসিবু য়ৌবা ঙম্নবা হোৎনরিবশিংগীসু শরুক য়াওই হায়বসি তত্তনা নীংশিংহল্লি।

# ইরমদগী মীরমদা - ১৪

**থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু**

শোয়দনা মায়োক্নরগদবা বি এস সী (এগ্রি) ফর্ষ্ট-য়্যর এগজামগী শেম-শাবগী শরুক অমা ওইনা, হিন্দী লোন্দা ইবা এগ্রিকলচর-সবজেক্টকী লাইরিকশিং ইংলিস লোন্দা হন্দোক্তুনা নোট শেম্বই থবক পায়খৎলিঙৈ, আলেকজ্যান্দর রমাতিগী লাইরিক থেংনরুবদগী, অতোপ্পা মহৈরোয় অমনা তৌরোইদবা থবক অমা, কনানসু ইনশিল্লুবা তৌদনা তৌরকখি। মদুদি- ইংলিস লোন্দা ইবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা। 'বিয়োন দ মাউন্টেন্স' হন্দোকপা লোইরা মতুংদা ঐগী টেবলদা তারিবা, এঙগ্লো-ইন্দিয়ন-রাইটর 'রস্কিন বোন্দ'গী পীক্তকপা উপন্যাস 'এন এক্স ফোর দ রানী' (রানীগী সীংজঙ) হায়বদুদা মীৎয়েংগী মিতাফম ওইরক্লে। রমাতিগী লাইরিক্তুনা, অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা, পোলেন্দগী মচিন-মনাও অনীখক সাইবেরিয়াগী কন্সেন্ট্রেশন কেম্প অমদা লৈরুবদগী, লান লোইরা' মতুংদা কেম্পতগী থাদোরক্লগা ময়ূম লমদম 'পোলেন্দ'দা হনখিনবা হোৎনরকপা... বোর্দর সীল্ড তৌখিবনা ঙমখৈ লানবা ঙমখিদবা, অরোনবা লম্বীদা ঙমখৈ লাম্থোক-লানশিন তৌবদা শেল লৌরগা তেংবাঙবা নুপা অমা থেংনদুনা, মচিন-মনাও অনীমক ময়ূমদা থল্লগা অচেংবা তাঞ্জা ঙাইরিঙৈ, 'মারেক সোবেল', মনাও-নুপা অদুগা অরোনবা মরী লৈনরকপা... নুংশি মরী অদুনা খোঙচৎ'তুদা খোঙলৌ পল্লৌবগী মরম ওইরকখিবই ৱারীনি। 'রস্কিন বোন্দ'গী ৱারীনা, য়ু পিগী 'মুসূরী' সহরদা, মতম অমগী নিংথৌ-শাগৈগী রানী ওইরম্বী, ঙসিদি মরায় চাইথরবী, অহল ওইরবী নুপী অমা, ময়ূম'মক্তদা সীংজঙ/থাঙজৌগুম্বা খূৎলায় অমনা মকোক্তা য়ান্দুনা হাৎলম্বগী থৌদোক অমা, মুসূরী পুলিস-ষ্টেশন'গী ইন্সপেক্তর কিমৎ লাল'না, মাগী সর্ভিস-করিয়রগী অরোইবা পূংফমদা মায়োক্নরকপদু সোল্ব তৌরমদনা থবক্তগী পোত্থাবা পামখিদবদগী মীহাৎপদু কনানো থিগত্তুনা ফাননবা হোৎনরকপদা থেংনরকখিবশিংদু ৱারী ওইনা লীবনি। চহী তরামাথোই-নিথোইতা ঙায়রিবী অঙাংগী মতৌ মাঙদ্রিবী নুপীমচা অমনা মীহাৎপী ওইরম্বগী, সস্পেন্স'না থল্লবা ৱারীনি। তূমিন লৈবা ঙমখিদে। মদুমগা হন্দোকখি।

খঙখি ঐ। মহৈরোয় অমনা তৌগদবা/তৌরোইদবা, দু'জ এন্দ দোন্ত'স, থৌদাং মশক খঙদনা তৌরোইদবদু তৌদুনা লৈরে। হৈনবী অসি হোংবা তাই। দেল্লিদগী হল্লকপদা ৱাখল-ময়োন চোংলকখিবদু থদৎচরে ইশানা। হৈনবী'সি হোংহৌদ্রবা, মাঙলগনি শোয়দনা। পানীংবগী পার'সু, প্রোফেশনেল রাইটর অমনা তৌগদবা থৌদাংদুদি লামশিল্লোইদবনি খূৎ'সিনা- থেমজিঞ্জখি ইশাবু।

কুইদে। নিঙোল চাক্কৌবা- দিৱালি-কুম্মৈ অনী ফাংজিল্লকপা কান'দুদা, মরক্তা নুমিৎ নীনি-হুম্নী থৎলগা, পুন্না নুমিৎ তরামাথোই-নিথোই ছুটি ফংবা মতম অমা থুংলখি। অয়াম্বা মরুপশিংদি য়ূমদা থোক্লরোই ৱারেপখি। ঐদি য়াম্না থোক্লীংখি। ইয়ূম নুংশিরুবগী, হোম-সিক ওইবই মওংদুদি নৎখিদে। চহী অহুমসিমদি ইয়ূমদুদা হল্লরোই খন্না থোরকখ্রবনি। অদুবু, ইমা-বাবা-ইচে'দা পাউখরা তম্নীংখি, চিঠিদা হায়বা য়াদবা ৱা খরা হায়নীংখি। অতৈগী নত্তে, ঐগী থাগী তঙায়ফদবা চাকথা'দুগীনি। ঐনা হান্না খনখিবা- লুপা চামা য়াঙ্খৈদুনদি মীরক তীনবা য়াররোই- মমুৎ তানা খঙহনগে, খনবদুগীনি।

খনবমখৈ খন্নরগা, ঐখোয় মরীদি থোক্লুরসি খন্নরে। চথোক-চৎশিন মতম কাইথোকখ্রগা, য়ূমদা চয়োল অমা লৈরুবা। অতৈনা য়ারক্ত্রবসু ইথন্তা ওইরসু থোক্লগে খল্লবনি চপ য়ুংনা। এরেঞ্জমেন্ট'তু য়াদ্রবা-ইম্ফালগী অফংবা কোলেজ অমদা বি এ'দা মিং চল্লগা সন্যাসি অমগুম লেল্লুরগে।

ঐগী ৱারী তারগা ইমানা হায় 'ইচানা অদুম্না পাঙদবা মী ওইরক্কনি হায়বদি থাজখিদে ইমানা... নপাদা ঐনা হায়গনি, ইমুংসিগী খল্লুনু, নচাগী থাগী লুপা চনীসিদি ঙম্নবা থাউ'। ইচেনসু থৌনা হাপ্লকখি- 'বাবানা থারক্ত্রবসু, অৱাৎপদু ঐনা থাগনি'। ৱারী অসি লোইরবনা থংনবা নুমিৎ অদুদা য়ু পি'দা হনবা য়ারবনি। অদুবু, লাক্লুরবা কৌবনা, মরুপ-মপাং খরদুদি তঙায়ফদনা উন্নরল্লগে। ঐগীদি মরুপ-মপাং, ফ্রেন্দ-সার্কল য়াম্বসু নত্তে। নোংমা-নীনিদুদা লোইনমক্না উন্নরে। চৎলমদাইগী নুমিদাং-চাক্লেন'দুগী ৱারী তাবদগী ইমা'না পুম্নমকপু কৌদুনা হুম্নীশুবা নুমিত্তা চাক পুন্না চামিন্নখি। চাকঙাই ৱারী মরক্তুদা য়াওরকখি 'মমিং লোৎলগা চেজেৎ অমা ইরকখিবী' মাগী ৱা। 'কনানো হায়বদুদি খঙদরি, অদুবু মহাক কলকট্টাদা লৈ হায়বসিদি খঙলে ঐ'- অতৈ মখা তানখিদে।

নুমিত্তুগী নুমিদাংৱাইরম, ঐখোয়গী থংনবা লৈকায়দুদগী ইমাগী মমান্নবী, ইন্দোমচা সোরো, মচানুপী সুনিতি'গা লোয়নন্না ঐখোয়দা লাকখি। সুনিতি-ঐগী লেংমান্নবীনি, অঙাং ওইরিঙৈদগী, লৈকায়গী ক্লব'না শীনবা সম্মর কোচিং-ক্লাসতগী লোন্দিন্নরকখিবা। স্কুল পুনবা নৎখিদবনা ঐখোয় অনী নকশিন্ননা লোয়নবগী তাঞ্জাদুদি ফংখিদে। মচানুপী পুদুনা লাক্লিবদু করিগীনো খঙখিদে। ফি-রোল শেৎচিল্লগা থোক্লনবা শেম-শারকপদুদা ইন্দোমচা সোরোনা হায়রকখি, 'ইবুংঙো! ৱারী অমা শাগে লাকপনি, ঙাইহাক্তং চোম্বরগা থোকপা য়াদবরা'?

'য়াই, ইন্দোমচা! কৈসু লুবা থবক লৈবা নত্তেদ্রা, ইমান্নবা খরা কংলা পার্ক'তা উন্নসি হায়নখিবদুগী থোক্কে তৌবনি... করি ৱারী তৌসিগে, ইন্দোমচা'?

'ইমাদসু হায়রবনি- নঙনা হন্দক চঙবদা সুনিতিগা খরা চঙমিন্নখো, মাবু খরা থিঞ্জিনবীরম্মু হায়গে তৌবনি'।

'মাবু কদায়দা তম্বগে'?

'হাইমা! নখোয় পাউ ফাওনদবরাউ? কলকট্টাদা তম্লি'সিদি'!

'কলকট্টা'! ৱাহৈদু হেক তাবদা, ইলেক্ট্রিক্না চিংবদৌনা শ্বাই লাউখি ঐ। শকখঙদবী অমগী চিঠি? চিঠিদুনা চল্লিবা পাউখোং? ঙক্না য়েংখি মঙোন্দা। মমায় খংলুক লূকথখি। মীৎয়েংফম য়াওদ' লৈথোকখি। ঐনা য়েংখিবা মীৎয়েংদুগী অর্থ খঙবা মাল্লি মহাক। চীনবান্না ফোঙবা ৱাহৈদগী মীৎচিনা চনবা পাউখোঙনা থৌবা হেল্লি হায়বসি নুমিত্তুদা খঙখি ঐ। মীৎয়েংদুনা তাক্লকখি- চিঠিদু মানা ইবনি।

'অদুদা ইন্দোমচা! ঐনা তোংগদৌরিবা ত্রেনগী লম্বী অসিদি কলকট্টারোমদা চৎকদবা নত্তে, করম্না খোঙবু ওইগনি'?

'কলকট্টাফাও এরোপ্লেন তোংদুনা চৎলগা মাগী কোলেজদুফাও থিনবীরম্মু হায়বনি', ইন্দোমচা'না তুৱৎ শমজিল্লকই। মতমদুদা, ইম্ফালদগী কলকট্টা ফাওবগী এরোপ্লেন ভারা- লুপা চামা-তরানি। ৫০% ষ্টুদেন্ট-কন্সেসন পীরগা লুপা য়াঙ্খৈ-মঙা। প্রিন্সিপালনা ভেরিফাই তৌরবা কন্সেসন-সর্টিফিকেট য়াওদবনা, কন্সেসনসু ফংলরোই। কন্দায়দগী চামা-তরা? ইমানা ফোংনা হায়রকখি।

'ইচো! ইবুংঙোগী ভারাদি, আ জৌনপুর ফাওবগী ত্রেন-ভারাসু য়াওনা ঐনা লোইনা ককচরনি ৱাবীরুনু'... ঐঙোন্দা অমুক ওনশিল্লগা হায়রকখি, 'ইবুংঙো! মাগীদি মথক্তা মবুং, মখাদা মৌপ্পা অমা লৈজবসু নত্তেদো... ইচাদা য়াম্না খুরৌ চেনবা ওইরদ্রা'?

চেনবা য়াদ্র' তানফমনি। ঐদি ঙল্লোই, অতোপ্প'মা নেক্লুচো- করম্নসু হায়রুনি? 'হোয়, ইন্দোমচা, ঐহাক থিল্লম্নগে' হায়দোকখরে চীনসিনা।

'য়াম্না নুংঙাইরে ইবুংঙো... অদুদি হয়েংমক টিকেৎ কক্লগে-কো'?

ঈকায়-ঈকায় য়াথোকখরে। মীনা টিকেৎ ককপীরগা এরোপ্লেন তোংই হায়বদুদি মরুপশিংদা হায়দোক্লীংদে। অদুবু, হোষ্টেল-রুম-মেট ওইরিবা বাসুদদি করম' হায়দোক্লোই? ৱারী অসি মঙোন্দদি লীথোক্লমদ' য়াররোই। কংলা পার্ক'তা উন্নদৌরিবশিংদসু লীদনা করম' তোক্কনি! অদুবু, চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা, মাগা-ঐগা, ৱারী অমদি শানীংখি- কনামত্তা য়াওদনা। মাগী মমাসু য়াওরিঙৈ, ঐখোয়'মাগী মমাঙদা ইবানি উন্নবই অয়াবা লৌহৌরগে খন্না হৌদোক্লুই... 'অদো, সুনিতি! ঙসি মঙা-তরুক্নিদা ঙায়রে চত্তৌবা, উষা হোলদা 'অভিমান' তৌরি, হয়েংলা/হংচীৎলা ইবানি য়েংমিন্নরুসিরা'?

মমা অনীনা চপ মান্ননা হায়রকখি 'য়েংমিন্নরুচো, কৈনো-নে'!

# পুৱারীদা ঙসি

## ꯄꯨꯋꯥꯔꯤꯗꯥ ꯉꯁꯤ

১। কুমজা ২০০৯ গী ওক্তোবর ১৩ ফাওবা নুমিৎ ৯নি চুপ্পা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকপা ৩৪ শুবা খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেলদা দ্রামা কাঙলুপ ১৮না শরুক য়াখি অমদি য়ুমজাউলাইরেম্বী দ্রামা য়ুনিটকী 'ঈজ্জৎকী চৈনা'না বেষ্ট প্রদক্সন তাখি।

꯱. ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯰꯹ ꯒꯤ ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯳ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯹ꯅꯤ ꯆꯨꯞꯄ ꯂꯥꯡꯃꯩꯗꯣꯡ ꯗ꯭ꯔꯥꯃꯦꯇꯤꯛ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯀꯂꯥ ꯑꯀꯥꯗꯦꯃꯤꯅꯥ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯡꯃꯩꯗꯣꯡ ꯗ꯭ꯔꯥꯃꯦꯇꯤꯛ ꯌꯨꯅꯤꯌꯅꯒꯤ ꯍꯣꯜꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯳꯴ ꯁꯨꯕ ꯈꯥ-ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯗ꯭ꯔꯥꯃꯥ ꯐꯦꯁ꯭ꯇꯤꯚꯦꯜꯗꯥ ꯗ꯭ꯔꯥꯃꯥ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯱꯸ꯅꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯈꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯝꯖꯥꯎ ꯂꯥꯏꯔꯦꯝꯕꯤ ꯗ꯭ꯔꯥꯃꯥ ꯌꯨꯅꯤꯠꯀꯤ 'ꯏꯖꯖꯠꯀꯤ ꯆꯩꯅꯥ'ꯅꯥ ꯕꯦꯁ꯭ꯠ ꯄ꯭ꯔꯗꯛꯁꯟ ꯇꯥꯈꯤ꯫꯫

২। কুমজা ২০০৯ দা, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি জি কে পিল্লাইনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা নাগা তাবা লমশিং পূনশিনবগী ৱাফম হৌজিক্কী ফীভম অসিদা ওইথোক্লোই হায়না কোহিমাগী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখি।

꯲. ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯰꯹ ꯗꯥ, ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯍꯣꯝ ꯁꯦꯛꯔꯦꯇꯔꯤ ꯖꯤ ꯀꯦ ꯄꯤꯜꯂꯥꯏꯅꯥ ꯑꯋꯥꯡ-ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯁꯤꯡꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯅꯥꯒꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯂꯝꯁꯤꯡ ꯄꯨꯅꯁꯤꯟꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯑꯣꯏꯊꯣꯛꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯀꯣꯍꯤꯃꯥꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯑꯃꯗꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯀꯈꯤ꯫꯫

৩। কুমজা ২০০৯ দা, ইন্দিয়া অমসুং অর্জেন্টিনা অনীনা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনর ওইমিন্নবগী পান্দমদা সিভিল ন্যুক্লিয়র কো-ওপরেশনগী 'দি এগ্রীমেন্ট ফোর কো-ওপরেশন ইন দি পিসফুল য়ুজেস ওফ ন্যুক্লিয়র ইনর্জি' হায়বা য়ান-চে অমদা খূৎয়েক পীমিন্নখি।

꯳. ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯰꯹ ꯗꯥ, ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯔꯖꯦꯟꯇꯤꯅꯥ ꯑꯅꯤꯅꯥ ꯁ꯭ꯠꯔꯦꯇꯦꯖꯤꯛ ꯄꯥꯔꯇꯅꯔ ꯑꯣꯏꯃꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯟꯗꯃꯗꯥ ꯁꯤꯚꯤꯜ ꯅ꯭ꯌꯨꯛꯂꯤꯌꯔ ꯀꯣ-ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯅꯒꯤ 'ꯗꯤ ꯑꯦꯒ꯭ꯔꯤꯃꯦꯟꯇ ꯐꯣꯔ ꯀꯣ-ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟ ꯏꯟ ꯗꯤ ꯄꯤꯁꯐꯨꯜ ꯌꯨꯖꯦꯁ ꯑꯣꯐ ꯅ꯭ꯌꯨꯛꯂꯤꯌꯔ ꯏꯅꯔꯖꯤ' ꯍꯥꯌꯕ ꯌꯥꯟ-ꯆꯦ ꯑꯃꯗꯥ ꯈꯨꯠꯌꯦꯛ ꯄꯤꯃꯤꯟꯅꯈꯤ꯫꯫

৪। কুমজা ২০০৯ দা, খা-চাইনাগী টুরিষ্ট সেন্টর গুইলিনদা হোট এয়র বেল্লুন অমা মৈ চাক্তুনা কায়রগা তারকপদা নুপী অমা য়াওনা দটচ টুরিষ্ট মরী শিখি।

꯴. ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯰꯹ ꯗꯥ, ꯈꯥ-ꯆꯥꯏꯅꯥꯒꯤ ꯇꯨꯔꯤꯁ꯭ꯠ ꯁꯦꯟꯇꯔ ꯒꯨꯏꯂꯤꯟꯗꯥ ꯍꯣꯠ ꯑꯦꯌꯔ ꯕꯦꯜꯂꯨꯟ ꯑꯃꯥ ꯃꯩ ꯆꯥꯛꯇꯨꯅꯥ ꯀꯥꯌꯔꯒꯥ ꯇꯥꯔꯀꯄꯗꯥ ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯃꯥ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯗꯆ ꯇꯨꯔꯤꯁ꯭ꯠ ꯃꯔꯤ ꯁꯤꯈꯤ꯫꯫

৫। কুমজা ২০০৯ দা, সিক্কিমগী কোনুং গেংতোকতা লৈবা পালজোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা অহানবা ওল ইন্দিয়া ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর প্রেম দোরজি মেমোরিএল কপ, ২০০৯ গী অহানবা সেমি ফাইনেলদা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

꯵. ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯰꯹ ꯗꯥ, ꯁꯤꯛꯀꯤꯃꯒꯤ ꯀꯣꯅꯨꯡ ꯒꯦꯡꯇꯣꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯄꯥꯜꯖꯣꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯗꯤꯌꯃꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯑꯍꯥꯅꯕ ꯑꯣꯜ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯋꯤꯃꯦꯟꯁ ꯐꯨꯠꯕꯣꯜ ꯆꯦꯝꯄꯤꯌꯅꯁꯤꯞ ꯐꯣꯔ ꯄ꯭ꯔꯦꯝ ꯗꯣꯔꯖꯤ ꯃꯦꯃꯣꯔꯤꯑꯦꯜ ꯀꯞ, ꯲꯰꯰꯹ ꯒꯤ ꯑꯍꯥꯅꯕ ꯁꯦꯃꯤ ꯐꯥꯏꯅꯦꯂꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯅꯥ ꯋꯦꯁ꯭ꯠ ꯕꯦꯡꯒꯂꯕꯨ ꯱-꯰ ꯗꯥ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕꯥ ꯄꯤꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯏꯅꯦꯜ ꯆꯪꯈꯤ꯫꯫

৬। কুমজা ২০০৯ দা, করাচিদা পাঙথোকপা ১১শুবা পাকিষ্টান ইন্টরনেশনল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোই অহুমগী মনুংদা অমগী ভিজা পাকিষ্টান হায় কম্মিশনন্না পীয়ু য়াদবদগী শান্নরোই অহুম্মক টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওররোই হায়না লাউথোকখি।

꯶. ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯰꯹ ꯗꯥ, ꯀꯔꯥꯆꯤꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯱꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯄꯥꯀꯤꯁ꯭ꯇꯥꯟ ꯏꯟꯇꯔꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯇꯦꯅꯤꯁ ꯇꯨꯔꯅꯥꯃꯦꯟꯇꯇꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯒꯗꯕꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯇꯦꯅꯤꯁ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯏ ꯑꯍꯨꯃꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯑꯃꯒꯤ ꯚꯤꯖꯥ ꯄꯥꯀꯤꯁ꯭ꯇꯥꯟ ꯍꯥꯏ ꯀꯃꯤꯁꯅꯅꯥ ꯄꯤꯌꯨ ꯌꯥꯗꯕꯗꯒꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯏ ꯑꯍꯨꯝꯃꯛ ꯇꯨꯔꯅꯥꯃꯦꯟꯇ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯎꯔꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯂꯥꯎꯊꯣꯀꯈꯤ꯫꯫

# ঙসিগী রাশি ফল

**অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ**
**এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।**

**তাং ১৩। ১০। ২০২৫ ইং, নিংথৌকাবা; নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.২৫ ফাওবা মেরাগী ২২ নি পাল্লি, মতুংদি ২৩নি পাল্লনি।**

**মেষ:** নীংবা থুংবনা হেনবা, নচা-ননাইগী মতেং ফংজবা, পাউ নুংঙাইবা তাজবা নুমিৎনি। অশাওবা অমদি ঈৱাং পুবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱারৌনৈ, তপথৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

**বৃষ:** অফবা মরুপ তাঙই, নাইতোম ৱারেপ লৌদবনা ফগনি। পোরম শীন্দোকপদি হৈবা, মীয়াম্না থাৎপীবা, ঈকায় খুম্নবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- মরীদি হেন্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

**মিথুন:** নীংবা মপা চানা ওইজবা ফংবা, য়েৎনরম্বা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। মরুপ থাজবদি লুই, পঙশিন্নবনা অশিংবা শক্কনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**কর্কট:** অরং-অরাক লৌশিনবা য়াবা, নক্লবগী মতেং লৌবা য়াবা, ঙাংবদা পকচবা নুমিৎনি। য়েক্লবনদি কায়নহনগনি, অঙম্বনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংগী- তায়ওন্নগনি, চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**সিংহ:** লন চঙগনি, মতাং চানা থৌনা ফুদোকপনা মফম কনগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি। নাইতোম ৱা তুপ্পবদি নরল ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

**কন্যা:** নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি, পন্দুনা লৈরুবা ফংজৌ হায়বা লৈরে। নোল্লুকপা অমদি ৱাঙাং হৈত্রবদি নচাক-নরল ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

**তুলা:** মরুপ অমদি নচা-ননাইগী মতেংদি লেম্না মাঙওই, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি। অশাওবনা পোত্থাফম খঙদবা, অঙম্বনা তাথিবদি লৈরি।
লৈশা পাখংগী- নীংবনা অমা ওইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** মীয়াম অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা লৌবনা শোয়দনা য়াইফগনি। নীংহন্নদবনা অপানবা থবক পাঙজগনি। মীৱা হেন্না থাজরবদি মায়থিগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**ধনু:** মীচঙ ৱাত্তবা, অনৌবা থৌরমদনা হেন্না চাওখৎপা, য়েক্লববু ঙমজদুনা নুংঙাইজবা নুমিৎনি। ৱানোম-থৌনোম শোয়দনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**মকর:** নীংবা মপা চাবা, থৌনা ফুদোক্না থৌ পাঙবা য়াবা, অফা-অপুন কোকচবা নুমিৎনি। য়েক্লুবসু পাঙ্গল্লি, অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**কুম্ভ:** য়েৎনবা/হন্থবা লোয়নবা/ৱায়াম ঙাংবনা মীমাঙ থোকপা য়াবা লৈ। অচুম্বনা খুৎলায় ওইয়ু, পল্লম্বা লন তানশিনগনি, লৌশিং ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**মীন:** য়ারিমখৈ নাইতোম থবক অমত্তা পাঙগনু। ইমুং-মনুংগী ৱা লৌবা, নীংথিনা য়াথোক্লবা থবক্তমক পাঙবা, নোল্লুক্না চৎপনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং ফাথনা লৈথোকউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# এৱার্দ পীনবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিকশিং কৌরি : সোসাইটি

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১২ (ঐচএনএস):** মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি, ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২২দগী ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা ফোঙবা লাইরিকশিংদা মখল কয়াগী এৱার্দ পীনবগীদমক মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিকশিং কৌরি হায়না সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি শরত থোকচোমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সোসাইটি অসিনা চহী ২/২ কান্নরগা খ্বাইদগী ফবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা পীগদবা 'মোইরাংথেম ওংবী থিয়াম নিঙোল মোধুমতি মেমোরিএল এৱার্দ-২০২৫', মালেমদা লৈরিবা অইবা-অইবীশিংগী অফবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক্তা পীগদবা 'লাইরিকয়েংবম বিধি সিংহ নীংশিং মনা-২০২৫' অমদি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা-অইবীশিংগী লাইরিক্তা পীগদবা 'নাওরোইবম ধনঞ্জয় সিংহ নীংশিং মনা-২০২৫' লোয়নন্না চহী ৩৫গী মখাদা লৈবা অইবা-অইবীশিংগী অফবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা পীগদবা 'মাইস্নাম বোকুল সিংহ নীংশিং মনা-২০২৫' হায়রিবশিং অসিনি। মনাশিং অসিগীদমক থৱায় য়াওবা অইবা-অইবীশিংনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল চেপ্টরগী এন লোকেশ্বর ৮৭৮৭৪০৯৫১৩, কছার চেপ্টরগী কে ঐচ কান্ত ৮৬৩৮০৫২১৩১ অমদি সেক্রেটরি জেনরেল শরত থোকচোম ৮৯৭৪৯১৬০৭৫ হায়রিবশিংসিদা পীশিনবীরক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।